মতম মতমগী ৱাফম

# অঙাংহলগী য়াইথিংকোনু

‘য়াইথিংকোনু’ হেক হায়বদা মীয়াই চল্লবা অয়াম্বনা তাখ্রে ৱারীদি কুইরবনিনা ইকাও কাওনখিগুম তৌরে হায়নরক্কনি। ঙসিগী মীরোল নহারোলশিংদি তাদ্রি, খঙদে হায়রকপসু য়াওনগনি। মতম খরগী মমাংগী মীরোলদনা অমুক য়াইথিংকোনুগী ৱারী খঙদবা, তানখিদবা অহল লমন য়াওখিদে। পূমন্নকসি মতমনা পুরকপা অওনবনি। চৎনরিবা তানরিবা থৌদোক ৱাথোক, নাক য়েৎকী মখা পোনবনি। মোইরাংগী ৱারী চাওই। পেনা শকপা, মোইরাং কংলৈরোন শকপশিংনসু হেন্না চাওথোকহল্লি। শৈশকপশিংগী শৈথাবা হৈ-শিংবনা অমুক্কসু হেন্না ফজহল্লি। মোইরাং শাইওন তরেৎকী মনুংদা শান্বা নহা লমগানবা -খম্নুং য়াইদিংকোনু অমদি খোয়োন হাওবা-য়াইথিংকোনু য়াওরি। য়াইদিংকোনু অমদি য়াইথিংকোনু অনীসি মমিং মান্নরপ তৌই মশক অমমম্নি। শাইওন অমমমগী ৱারী অমমম্নি।। য়াইদিংকোনুদগী য়াইথিংকোনুনা হেন্না মীয়াম্না ৱারী খঙনবীবা, শোন্নবীবসু হেল্লি। অনীমক্কী ৱারী তাবদা নুংশি। নুংশিবগী শক্তমদা শাগৎপনি। ঐখোয়গী ইশাদা য়াওজরিবা নুংশিবগী কাখলদা ৱারীসি হাপ্পচিনবদা য়াইথিংকোনুগী মফম হেন্না পাকথোকলকই। মোইরাং কংলৈরোল শকপদা লৈপাক্না শকখঙনরবা ওঝা হৈস্নাম মঙ্গোলজাওনা মোইরাং কংলৈরোলগী মনুংদা অমা ওইরিবা য়াইথিংকোনুগী ঈশৈগী মতাং নুমিৎ কয়ানি শকপদা অতাবশিংদা হেন্না নুংশিবা পোকহন্দুনা, কপহনবা ঙমখি। ওঝা হৈস্নাম মঙ্গোলজাওগী শৈশক শৈদা মীয়াম্না হেন্না খঙনবীরিবনি। জাৎ শৈশক হৈবা, পেনা ঈশৈ, মনোহরশাই ঈশৈ শৈশক খঙখিবা ওঝানি। মতাংচানা মিমিক্রি তৌই,মীবু মতাং চানা নোকহনবা, কপহনবা ঙম্বা তাঙলবা খুনুং ঈশৈ শকপা হৈবা ওঝানি। মোইরাং কংলৈরোনগী লোইকুম-লোইকা, য়াইথিং কোনু করিগুম্বা মতমদা য়াম্না তাঙনা তোনু লাইজিংলেম্বী, লাইরৌলেম্বীগী মতাংদা মণিপুরগী লোইজি লোয়া, শঙ্গোয় মাঙ্গোল থুংনবা শকখ্রবনি। হেন্না খুৎলোইবদি খম্বা পোকপা, ইন চিংবা, লোইকা-লোইকুম, লমজেল, কাং শান্নবা, ফি ৱাইবা অসিনচিংবশিংগী মতাংগী ঈশৈনি। অতৈ মোইরাং কংলৈরোল শকপা ওঝাশিংসু লৈরি। পেনা শকপা ওঝাশিং ময়াম অমসু লৈরি। লৈপাক্কী শৈশকপশিং অসিনা খুল্লক লৈরক্তা ফমশক ঈশৈ শকপা চৎনরিঙৈ মতম অদুদদি পঞ্জরিবা মতাংশিং অসি তোয়না শক্লবনা অহল অঙাং খাক্তনা লোইনমক্না ৱারী খঙনৈ, অমগা অমগা লীনৈ। ঙসিগী মীরোল হৌজিক্কী মতম অসিদদি শৈশকলম্বা অহল-লমনশিংসু থুপখ্রে। মতম অমা সঙ্গোয়দা, মাঙ্গোলদা শক্লরম্বা শৈশকসু শক্লখিদবনা মোইরাং কংলৈরোলগী শাইওন ৱারীশিং অসি অয়াম্বনা খঙনরক্তবনি।

লান মমাং অমদি লান মতুং পংকুই কুইদ্রিঙৈদদি পেনা ফমশক তাবা কন্না চৎনরকপা, লৈপাক্কী মমিং লৈবা শৈশকপশিংসু মরাঙ কায়না লৈরম্বনা ঈশৈগী ৱারী পরিং শুনবা তাবা ফংনরকপা মতমসু ওইখি হায়বসি ঐখোয়না অহল লমনশিংদগী খঙজবা ঙম্মী। অদুগুম্বা মতম অদুগী মীরোলদনি হিজম অঙাংহল, মহাকবিনা খোর্জেই পায়খিবদুসু। ইঙ্গিৎ-পোমিৎ খজিক উবদা, লৈনম খজিক ফংবদা খোর্জেই পায়গনবা ৱাখন খনগনবা মীওইশিংগী মফমদদি শোয়দনা ইনিংবগী লাই তোংলক্কনি। য়াইথিংকোনুসি অতৈ অইবা খরগীসু ফোঙবা লৈখ্রে। মীয়াম্না তানরবা খঙনরবা হাওবা য়াইথিংকোনুগী ৱারী পরিং, ময়াঙ অদুদি কায়দনা থল্লগা অতোপ্পা শৈথাবা, প্রামাণ পান্থে, সাহিত্যগী ওইবা ৱারী খুৎলী অমদা উপন্যাস ওইনা য়াইথিংকোনু (১৯৩৮)অঙাংহলনা অমুক ইখি। অথেংবা মতমদা শরাংথেম বোরমণীনা মহাক্কী মোইরাং শাইওন তরেৎ লাইরিক অসি (১৯৭২) ফোঙখি। মসিগী মনুংদা শাইওন অমা ওইনা খোয়োন হাওবা য়াইথিংকোনুগী ৱারী মচা খায়না ইদুনা মীয়ামদা পাবা ফংহনখি। অইবা অনীগী ৱারী খুৎলী অমমম্নি। মহাকবি হিজম অঙাংহন্না চাউখ্রবা লিটরেরি ইপিক অমগী মঙলান্দা চহী কয়া চঙনা ‘খম্বা থোইবী শৈরেং’ ইদুনা মোইরাং কংলৈরোলগী মতাংদা উপনা তাবা উনা লোংনা, লোংনা তাবা উনা উপ্পা হাইদোক্তুনা থিজিনবা খঙজিনবা লোইখ্রবনি। পেনা শকপা অঙনবা মতমগী ওঝাশিংগী নাক্তা চৎতুনা মখোয়গী চিন্দা তোংবা ৱারী ময়াম পোল্লাংদা হাপ্পুনা পুরকখিবা, পোল্লাং অদুনদি খরা লনবা ওইখিদুনা অয়াম্বনা লিৎথহৌখিবা, পোল্লাংদা লৈহৌবা খরতমক পুরক্লবনি হায়না অঙাংহলনা প্রমান তৌদুনা হায়খিবা চাওখ্রবা মোইরাং থাংজিংগী ৱারীনি। অঙাংহল ৱারী লীবা হৈ, ৱাহৈ ফজবা নাচোম শেম্বা হৈ হায়বসি মাগী খোর্জেইগী চেনাগী অহৌবদা হায়রল্লিবশিং অসিদগী অদুম খঙবা ঙম্মী। তাখিবা উখিবা হায়বসি পাক কাওবা ঙম্নদে। পুরকপদা অরনবা পোল্লাংদা লিৎথহৌখিবশিং অদু পেনা শকপা ওঝাশিংগী মফমদগীদি তাহৌখিবা লৈতবনা নীংশিং নীংশিং মচাক তানখৎলকপদা অনৌবা য়াইথিংকোনু অমা ইরকপদা মতেং ওইখি। মহাক্কী মফমদা য়াইথিংকোনুগী শরুক অমা খাইদোকলকপদি লায়না থোকলমগনি।



য়াইথিংকোনুগী মপূঙ ওইবা ৱারীদি ময়াম্না খঙনরে, অদুবু ৱাখল্লোন মান্নদবনা থৌদোক পরিং শেমলকপদা মশা- মরেং খেন্নবা, মান্নদবা কয়া লৈ।। ফোক হায়বসি মপু পান্দে থেৎনিংবা মফমদা নাচোম থেৎপা হায়বসি ফোক্কী মচৎনি অদুনা মতাংসিদা লানবা চুম্বগী ৱা থোইদোক্তে। অইবা খুদিংমক মান্নগনি হায়বা লৈতে। অঙাংহলগী য়াইথিংকোনুগী ৱারীদি-মোইরাং নিংথৌগী অচানবা ফম্নাইখিবা খুয়োন খুন্থৌরেম্বা খুন্থৌরেম্বী অনীনা থুপখ্রবা মতুংদা মচানুপী কুৱাংলোন অমদি মৌপ্পা হাওবা অনীবু পীক্না হুন্দোকলমখি। নিংথৌনা ঙাইথিদে হায়বদুমক থোকখি। কনাসু খুয়োন খুন্থৌরেম্বা খুন্থৌরেম্বী অমদি মখোয়না পীক্না হন্দোকলম্বা অঙাং অনীগী মরমদা খনখিদে। মোইরাং নিংথৌনা থুমখোং তৌবদা থুমহী ফংদবদগী লাইবাও চেনবদা লমজা ঈরাৎনবা হায়রকখি। মোইরাংদা লমজা থিবদা অদুঙৈ নুংঙাইনখিদবগী লমন খুম্নবা থাঙ্গারাকপা হায়বা অমনা লমজা লৈ হায়দুনা হাওববু ফারগা কৎনবা হোৎনরকই। পাউ তাবদগী হাওববু মমান্নবা অমনা লোৎতুনা লৈহনখি। ফংবা ঙমহনখিদে। হোংনেম শুম্বগী মমোম কোনুগা হাওবগা শোইদা খঙনখি। মীরোৎ ওইনা লৈরিবা হাওবনা মশক লোৎতুনা লাক্লগা কোনুগা মরি লৈনরকখি, মীরোনখি, মচা লৈখি। নাকল অমদা হোংনেম শুম্বনা লানমৈ থাবদা খুমন কাওবগী লমখৈদা চাকলুবগী মমল ওইনা মচানুপী কোনুবু খুমন কাওবদা পীখি। খুমন কাওবনা কোনুগা হাওবগা মরি লৈনৈ হায়বা খঙলক্তুনা শীংনরকই। হাওবগা কাওবগা চায়নবদা হাওবনা ঙমখি।

ৱারী লানবা চুম্বরোমদা নৈনবা নত্তে, থোইনসু থিনদে। অঙাংহলগী পান্দমদি ফংলিবা ৱারীগী ময়াং অদুদা খুৎশেমগী শাগৎপা ৱারীনা থোল্লগা মহাক্না হান্না খুৎলোইরবা ৱাহৈ-ৱাতা, শৈথাবগী হৈশিংবা, ফজবা কয়ানা য়োমশিন্দুনা অনৌবা মহাউ অমা পীবনি। য়াইথিংকোনু ইরকপা মতমদা হৌবদগী হৌনা মহাউ অমা ফংননবা থৌরাং তৌরে। খম্বা থোইবী শৈরেং ইবদা ফংখিবা লৌশিং ময়াম অদু য়াইথিংকোনুদসু খরা খরা য়েন্থোকলকখি। শৈহৌ শৈরেংনা শৈথাবগী মওংসি ‘খম্বা-থোইবী শৈরেং’ দসু হৌই, **“ তাইবং পানবগী ’মম্বা ঐগী থম্মোই লোক্লুংগী, ’ঙানবা থাংমৈ ওইরিবা সুক্না মুবা অহিংগী, লেপ্না কংবা পামেনগুম ঐগী ’য়াংব পূক্লিংবু নৌনা ময়োন চোংহনবা শ্রীগুরুগী চরনবু, হাপচরি ইকোক থক্ত পাংদ...”** য়াইথিংকোনুগীসু শৈহৌ শৈরেং অমনা হান্না শৈথারি। **‘মশিঙ লাক-ঙমদ্রবা ইশিংগী লৈরিক, ঈরিক-কোংগোন কয়ানা পূনখিদুনা, অকুৎপা, লোক-তুরেলগী মরুদা পৈরে।..’**য়াইথিংকোনুগী অহানবা পন্দুপ্তা শৈথারিবা ৱাহৌদোক শৈরেং অসিদগী অঙাংহলগী পূক্লিং ৱা অসি ঐখোয়না খঙবা ঙম্মী।

য়াইথিংকোনুগী মরক মরক্তা ৱা ঙাঙনবদা শীজিন্নরিবা ৱাহৈশিং, ৱারী লীবা, লাইরিক হায়বা থিবশিংনা শীজিন্নবা মওং, মোইরাং কংলৈরোল শকপা ওঝা মঙ্গোলজাওনসু তোয়না শীজিন্নবা মোনোলোগ অদুগুম্না য়াইথিংকোনুদসু অঙাংহলনা য়াম্না শীজিন্নে। পাবদা নুংঙাইবা পোকহল্লি। খুদম ওইনা, **‘নোংমা মোইরাং নিংথৌগী মঙদা থাংজিং লাকয়ে। চপ লেপ্পী। মোইরাং নিংথৌ ! নঙনা থাংজিং ঐগী কোলু লাই মায় শেংদবা, কোংয়াং ৱাখোং শেংদবা, তয়ান মরি থৎতবা মতম কয়াম কুইরে!...”** অতোপ্পা ডাইলোগ অমদনা অমুক **“থাংজিংনা লৈরি হায়রি লৈরমখিনি থিরো ”** ( মঙাশুবা পন্দুপ) ড্রামাটাইজেসন তৌদুনা থাংজিংনা ৱাগা ঙাঙহল্লি,অইবনা পাম্বা হায়নিংবা ৱাশিং ইনশিন্দুনা থাংজিংবু হায়হল্লি। মসি ওইথোক্তবনি অদুবু ঐখোয়না য়ারি, নুংঙাইরি। অসিদা নত্তে, অঙাংহলনা নেরেটর ওইনা, করিগুম্বদনা ড্রামাগী ব্লোক্কিং তৌবগুম্না হায়রকপা মতাংসু তোয়না থেংনৈ। হাওবনা কোনুবু নীংশিংদুনা খুল্লং ঈশৈ ওইনা শকহল্লি- **নুরা নুংবান য়াইথিংকোনু নুরা ইনেমচা নঙবু...খুয়োন নোংদম থিবা ঐদি অৱাববু পুঙমদরে থম্মোই লায়ূম কায়গদৌরে, নুজা করি ওইরসিগে..”** ঈশৈ অসি খুমন কাওবা হিঙম্বনা শা তানবা লাকপদা তাখিবগী মতাংদা অঙাংহলনা অসুম্না ফোংদোকই। **“ ঈশৈ অসিগী মকোক মমৈ পূল্লপ থুপচিন্দুনা নুংশিৎনা পুখরে। কাওবগী নাকোংদা পূল্লপ হৈজিল্লুরে।”** শীজিন্নরিবা লোন্দা অসি মোইরাং কংলৈরোন ঈশৈদা ওঝা মঙ্গোলজাওনা য়াম্না তোয়না মিমিক্রি তৌদুনা হায়বা ৱাহৈনি। ওঝা মঙ্গোলজাওগী ৱাদা নত্তে পেনা শকপা অশৈবশিংসু মোইরাং কংলৈরোল ঈশৈ শক্লবদি তঙ্খায় অমদি লীলানি ড্রামানি, মোনোলোগ তৌগনি, ৱারী লীগনি। মসিগী চৎনবী মওং অসি মণিপুরী ফোক আর্টকী তোঙানবা ফজবা মশক্নি। অইবনা য়াইথিংকোনুগী ৱারী খংহৌ-হৌদে। নাক য়েৎ, লম্মীৎ-তুম্মীৎ তাক্লবা হান্না হোৎনৈ। মোইরাং থাংজীং কদায়দা লৈ হায়বা তাক্লবা হোৎনবদা মণিপুরদগী হান্না হৌই। মমাঙঙৈ থায়না হায়বসিগা অমদি হৌজিক হায়বসিগা অনীসি পূনশিন্নবা হোৎনৈ। অরী অনৌ য়ানশিন্নবা মওংনি। মতম মতমগী মোংলকপা ৱাখলনি। পন্দুপ মঙা থোক্লা খায়দোকপা চীনবুং ৱারীদা শাগৎপা উপন্যাস অসিদা মপূং ওইবদি নুংশিবগী শক্লোন উৎপনি। লোনগী, খোরিরোলগী ফজবা মশক তাক্লবা হোৎনবদা য়াইথিংকোনুদা অইবগী ৱাখল চঙলুবনি। অঙাংহলনা য়াইথিংকোনুদা মহাক্কী ওইবা সাহিত্যগী লৈকোল অমা শেমগৎনবা হোৎনৈ।◀◀

*- মাখোনমনি মোংসাবা*

ৱারী ককনাউ

## ঐসু অমুক্তা উংবীয়ু

**ইনে** থম্বাল অরিবা মতমগী মীনি, অরিবা ৱাখল্লোন, খুন্নাইগী চৎনরোল, থকসি-খাসি অমদি চৎন-লোনচৎপু চেৎনা থাজবা অমদি পামজবীনি। মচানুপা অমদগী হেন্না পোক্তে। ঙল্লিঙৈদগী মপূরোইবা লৈখিদ্রে। ৱানা খ্বাংচেৎ মচি লাংদুনা মচাবু মী ওইনবা হোৎনজরকই। নোংমতা মীগী ময়ূমদা ফমদুনা ৱাথি ঙাঙলক্তে, ৱাথি ঙাঙবা ইনেনা য়াম্না পামজদে। লৈজবা খরদা পেন্থোকপা হৈ। লুপা ১০০ পায়বদা লুপা ২০০ শুনবা হোৎনজৈ। নোংমতা মনীং তম্না অহাওবা অমা চারক্তে, ফজবা অমত্তা শেৎলক্তে। মচাদুবু মী ওইরদি খন্দুনা, মীনা ঙাঙনবা হায়নবা অমত্তা মনাদা হাপতমখৈ মখয়াৎ চিক্তুনা হোৎনজরকপনি। ঙসিদি মহাক্কী মচানুপা ইবোতোম্বী ওফিসর মচা অমা ওইদুনা নে তাবা পুন্সি অমা ফংজরে।

মতমগী মতুং ইন্না ইবোতোম্বী লুহোংলে। ইনেগী মমৌনুপী জাশমিনসু মচানুপাগী ওফিসতা থবক তৌবীনি। মচা মমৌনা ফংলকপা তোলোপনা ঙসিদি ইনে থম্বালদু নে তাজরে। সি মঙাইদনা নুংঙাইবা হায়বদো। লৈকায়দা লৈমিন্নবা পূম্নমক্না মচা মশু ৱারকপদা থম্বাল অমদি মাগী মচাগী মতৌ তম্মু হায়না হায়নরিবনি। ইনে থম্বাল হৌজিক্তি লৈকায়গী থৌদোক ৱাথোক য়াওরে। ময়াম মমাঙদা মমায় পাকচরে। অদুবু মশাদা চাউথোকপা হৈজদে, ইচম চমজৈ।

লুহোংবা মতুং য়াম্না নুংঙাইনা ইমুং মনুং তাথোক তাশিন্নদুনা হেন্না চাওখৎনবা হোৎনজৈ। মমৌবুসু ইনেনা হেক পোকচবা মচানি খন্দুনা লুনা চান্না তৌজৈ। ইনেগী মশুনুপা অমা য়াওরে। মচিন মখা য়াম্না য়াংই। নুংশিখ্রে পুপ-পুপ হেক লাউরদনা মশক্কা ফজখ্রজাৎনি। ইনেগী মশুদু হৌজিক ক্লাস ৱান তম্মে। নুংঙাইনা লৈরম্বা ইমুং অদু হৌজিক মহি লাংবা খরা খরা হৌরক্লে। অতৈগী নত্তে, ইনেনা পামজবা মৈতৈগী চৎনবী থৌগল্লোন, ৱাঙাঙ-শঙাঙ, শাজৎ-লীচৎ মমৌনুপীনা হেক হেক শমজিল্লকপসি মানা য়াম্না পেঞ্জদে। অদুমাইনা তৌনু, অদু তৌগদবনি, অদা তৌগদবনি। চৎপদা ফদ্রৎ-ফদ্রৎ চৎলোইদবনি, লিরি খোইরিনা নুপী অমা ওইবগী লেমজগদবনি, মী পোং লাকপদা ৱা ঈংনা তপ্পা হায়গদবনি, নকোক খুমগদবনি য়ামখ্রে ইনেনা হায়রিসি। মমৌনুপী জাশমিন মনেম্না হায়রিবা ৱাদু তাদি তাই, অদুবু কয়া লৌরক্তে, মানা খল্লিনা থায়নগী মথোং-মরম খঙদবা ময়ামদু হৌজিক্কী মতমসিদা চান্নদে। ঐগী তৌফম থোকপা অদুম তৌরগা লোইরে, ঐ মীগী মপোৎ মরল হুরাল্লুবা নত্তে, মীগী নুপা নহাদা মীৎয়েং কারল চল্লুবা নত্তে, ঐ-ঐগী ঙম্নবা হোৎনজবনি, মসিদা ঐ করি লানবগে সিনি। তৌবগীবুদি, জাশমিনসু ফনা ৱাজবনি, য়ূমসিদা ইমুংগী থবক ইনখাং তৌরিসি মা মথন্তনি। মচা স্কুল চৎপা নংনবা চাক থোংবা, মফি মরোল লোইশিনবা, মনেমগী থৌগল, ইমুংগী কুপনোম, মপূরোইবা অমদি মাগী ওফিস চৎনবা হোৎনজবা, ওফিসতসু থবক, য়ূমদসু থবক ৱাদি ৱারজাৎনি। ৱারদি মীসি শাউরকই হায়দুনি।

লানবগীদি লানদে হায়বু খুন্নাইগী চৎনরোল ঙাক্না চৎপা হায়বসিদি অহলশিংগী অপাম্বগী ৱা নত্তে তৌফম থোকপনি। মখোয় মনি মমৌগী ৱাসি অতৈ অমত্তা নত্তে ত্রেদিসনেলিজম অমদি মোর্দনিজম অনীগী ৱাখল্লোন্দা লাক্লিবা খেন্নবা অদুগী ক্রাইসিসনি। ৱাফম কয়াশিং অসিনা মরম ওইদুনা মনি মমৌগী থম্মোয়নুংদা থনুংদা থরুম অমমমদি লৈনরে। অদুনা মথি খরা খরা সুম ফোঙলকপনি হায় তারে। জাশমিন্না ইবোতোম্বীদা কক-কা কক-কা খরা হায়বজাৎনি। ইবোতোম্বীনা মমাদা হেক হেক পাউদম্মী।

“য়ান-য়ানবা সুম চৎনসিদা ইমা, মাসু ইমুংগী থবক ইনখাংনে কৈনে ৱাজরবনি, ইমানসু য়ূমসিদা থবক তৌনবা মী অমা থমসি হায়সু য়াদে, খরা উশিন্ন-খরা উশিন্নদা তৌরোদা ইমা” ইবোতোম্বীদি ইচম চম্না ইমুং মহি লাংদনবা হায়জবনি। মদু তাবদা মমাদি পিং-পিং লাউখৈ ৱারৌরে।

“ইশ! থুনা হোংঙেদা, লায়না মাঙইদা ইমাগী ইবুংঙো, নঙবু মী ওইনবা শেল্লকপা নমা ফাওবদা নহাক্না অদু হায়বা ঙল্লবকো, ইশ! লোইরেদনা ঐগী ইচাদি” ওন্থোক্না ৱারৌনা মমানা হায়। অহলগা ওইশিল্লকপনে ইনেদু মথৱায় য়াম্না নুংঙাইজদে। পূম্নমকসি মাগী মমৌনুপী মতমগী মীসিনা হায়হনবনি, মানা চপী থাদুনা ইচাসে উংখ্রে সিনি।

নোংমা-নোংমগী ইমুংগী ময়ি সুম সুম লাউথোরকই। মনেমগা মমৌগা অনীগী মরক্তা হৈনদবগী অমনা ঙাঙবা অমনা তানীংদবগী লায়না অমা কন্না নাবা হৌরক্লে। কৌনীংগুম কৌনীংদগুম, হায়নীংগুম হায়নীংদগুম য়াম্না নুংঙাইতবা ফীভম অমদা লাক্লে। নোংমা নুংথিল অমা মশুনুপানা স্কুল হল্লক্লগা মবোক্কী মনাক্তা লৈরি। মবোক্না ৱারৌদুনা মমাগী মরমদা খরা ঙাঙই। মশুনুপাদুদি কৈসু থোইদোক্না খঙজবা নত্তে।

“বোবোক ঙসিদি এঞ্জাং অহাওবা অমা চানীংই”

“করিনোনে ইশুনা চানীংঙিবো?”

“য়েন মফৈদু চিক্লগা চানীংঙি”

“বিষ্ণু বিষ্ণু, অদুগুম্বদুবু কনানা চাই হায়গে, য়াদে-য়াদে”

“নহানসু চাইনা অদুদি”

“কাইদা চারিবা?”

“মমানা ওফিস কুম্মকপদা লৈরকপনিনা, ঐখোয়গী কাদা মমানা পীজৈ, মমাসু চাইনা”

“ইশ! হরে কৃষ্ণ হরে কৃষ্ণ, ঐ লোইরেদনা শিরমদাইসিদা নোরোক্তা তারেদনা। নপাদি কৈমতা হায়দ্রা?”

“হায়দেনা, ববাসু চাই, ঐখোয় অহুম চাই, বোবোক নঙ খঙদ তৌরিনি য়াম হাওজাৎনি”

“তুমিন লৈয়ুহে তানীংদে। নোই নমানা নপাসে খুদোনবীদা হাপ্পগা উংঙবনি, মদুদা নপাসু অদুম য়ারবনি, হৈখ্রে হৈখ্রে নখোয় নমাসে ওন্থোক্না হৈখ্রে। নপাসে নোংমা মকোক ঙাওদনা তুদৌরিবনি” ইনে থম্বাল হৌগৎখ্রে মনীংদা চৎলগা মচিন তেংথোক্লুই।

নুমিদাংদু জাশমিন চাক লোইরগা মপূরোইবা হল্লকপা ঙাইবা ওইনা মচানা লাইরিক পারিবদুগী মনাক্তা ফল্লি। মচানা মমাদা য়েংখৎলগা,

“ইমা নঙ মেজিক হৈব্রা?”

“চথোদা কাইদগী মেজিকনো হৈতেদা”

“হৈ হৈতে হায়জিন্ননু”

“হৈতেমী”

“বোবোক্না হায়রিবা নঙসে য়াম্না হৈ, ঐখোয় ববাসি মমানা খুদোনবীদা হাপ্পগা উংই হায়, ঐসু অমুক্তা উংবীয়ু মমা, সে ঐসু অমুক্তা উংবীয়ু, ঐ য়াম্না উংনীংঙে”

“কয়াদা মবুক ফৎখিদ্রবা হনুবীনো, অঙাংদফাওবা সি য়ৌনা হায়রবা, ঐ ঈ সুম কারক্কনি, কুম্মৈ তৌনিসে”

“মমা ববাদা উংবা অদুমাইনা ঐসু অমুক্তা উংবীয়ু, উংবীয়ো, মেজিক হৈরগা নবুক ফত্তে, মমা, মমা’ মচানা কন্না নীংঙাই তৌরি। জাশমিনদি মশাদু মমায়দা হুমাং মরিক-মরিক কারকই, খোইদৌদা ঈ হাইজিনখ্রমাল্লে।◀◀

*- নরেন্দ্র নিঙোম্বা*

## মরোল থোক্ত্রবা ঈচেলসিগা

**(হান্নগী মখা চথজরকপা...)**

**তম্ফাতোন** হোয়-মাই হায়দে। অদুম লেপ্তুনা লৈ। বিমলনা মখা তারকই,

– জগোয়গী ওজাগীদমক্তা মনা ফংবিরম্লগনি। মতুং চহীগীদি কনানা তম্বীগদগে অরেপ্পা খঙবা ঙমদ্রে। মন্ত্রিনসু য়াম্না থাগৎপীরম্মী।

– হয়েংদি ইম্ফালদা হনখিবা তারে।

– হায়জিন্নবগদি নত্তেকো।

– ঐদি ফাগী তৌবসে য়াম্না কিজৈ। অমুক্তসু তৌজদে।

– অদুদি লৈফম খঙহৌদবা য়াদ্রেদনা। তাঞ্জা চারবদি নোং ফাদোক উনরবসু ময়াই।

– মদু’মা ওইররোইদবনি। উননীংঙিদা নীংশিংবিরকউ ঐনা ইনেখোয়দা কোক চেল্লক্লগা লোইরে।

– নীংশিংলকপা মীকুপ্তুমক্তদা য়ৌরক্কনিনে অদুদি।

– শোয়দনা য়ৌরক্কনি।

– ঐসু শোয়দনা থাজৈ।

অনীমক নোকমিন্নে। বিমলনা মখা অমুক তারকই,

– ঐখোয়রোমগী মীনদি ইম্ফাললোমগী মীশিং লাকপদা পোকমিন্নবা ইচিন-ইনাওগুম লুনা খন্নে। ইম্ফাললোমগী মীনদি ঐখোয়রোমগী থেংনবদা লুনা খনবীদে হায়নৈ।

– মদুনা মীয়ামগীনি। ঐগীমক্তি নত্তে।

– হোয়, কোন্না খঙনবা হায়বদুনি। য়েংউ! তুরেলগী ঈচেলসিফাওবা থেক্লা খোয়না চেল্লিবসিনি।

– ঈচেলদি কৈসু খঙজবা নত্তে। শেন্নবীরিবা তোর্ব্বান্না থেকখিবননি।

– ফরে, ইনেখোয়দদি তোয়না লাকপসু য়ারোই।

– অদু ওইরগনা লৈঙোয় মথক্তা লেপলিবসিদগী লেঙদনবা হোৎনবীরোদনা।

– অদু ওইরবদি ঐসু মরোল থোকত্রবা কাটাখলগী ঈচেলসিগা মরৈ অমুক তৌনররোই !

নুমিত্তু থম্মোয় অনী খঙনক নকশিন্নখি। লৌথুপ লৌকোই অমত্তা ফাওদনা মকা লাম্না, মীনোক অনী তিনশিন্নখি। নুমিৎ য়ুংবগী শাবুং শাবুংবা লৈঙোয় মথক্তা খোঙ্গুল মরীখক মনীং তম্নখিবদু কনাসু খঙহৌ উহৌদরে।

চহী মঙা হৌখ্রে। য়েন্নীংথা কয়ারক লানখ্রে। অরীবা উনাগী মহুত্তা তনৌ তনৌবা উনা-ৱানাশিংনা বসন্ত ঋতুগী থৌগল কয়ারক তৌখ্রে। নোংজু অহিংগী শেংনা চামথোক্লবা থাবলনা ফুদোংলবা লুপা মচুগী উনাশিং নাকেন্থাগী পাউজেল কয়ারক লৈমায় তম্না পীখ্রে।

বিমল বি এ পাস তৌদুনা ওজা মচা অমা ওইরে। তম্ফাতোনগী ঈ-পাউ অমত্তা তাদে। মখোয়গী মনেখোয়গী ইমুং মনুংসু হোজাইদা হোংখিবা কুইরে। অরাপ্পদি নত্তে হায়ববু করম্নসু পাক হেক ঈ-পাউ হংলুনি। অদুমকসু লৈবাক মচাগী থৌওং নত্তে। মরম অদুনা বিমল তপথদনা লেল্লকই। ইকায় ইকি ৱাংমা লান্না নোংমা নুমিৎ তমদুনা হোজাই চৎখি। ইমুং মনুং পূন্না তির্থ চৎখি হায়দুনা থোঙ লোল্লম্মী। এদ্রেস লৌহৌগে ফনা হায়বনি চৎলমদাইদা। পীয়ু য়াখিদে। কন্না তক্লুবদা চিঠি অদুম থারক্লে হায়দুনা থাজবা উৎলম্বনি।

ঙসিসু নীংথমগী নুংথিলনি মতম অদুমক্লি। বিমল তোর্ব্বান্দা লেপ্পি। নুংথিলগী মতম অসুম অসুম হৌখিদুনা নুমিদাংৱাইরম য়ৌশিল্লকই। থোং ৱাংমদগী রাধারানিনা কৌরকই - ‘তা’ বিমল! ঐ ফেব্রুৱারী থাদা লুহোংলগনি। নঙ শোয়দনা লাক্কদবনিকো। নোংমা হোজাই চৎলুবদা ইচে তম্ফাতোনখোয়গী ইনেগী য়ূম চঙলকই। ইচে তম্ফাতোনদো এক্সিদেন্ট থোক্তুনা মখোঙ য়েৎথংবদু কক্লে হায়য়ে। ইচে তম্ফাতোনদু নুংশিকো। মাদি জগোয়সু য়াম্না হৈবনি। ঐ চৎলে...।” বিমলনা ইপা পাখৎনা মচিন্দা শোল্লি - “করি... করি হায়বা... ফেব্রুৱারী থাদা নঙগী লুহোংবা... ঐ লাক্কনি ... হোয়নে, নুংঙাইতেনে... তম্ফাতোনদো।

মবুক তপ্লবা কাটাখলগী ঈচেলদুসু মহৌশাগুম শংলৈননা অদুমক চেল্লি। ফোপকী থোংদুগী মথক্তা কনাসু লান্থোক লানশিন তৌদে। তোর্ব্বান্দা হৌরিবা উপালশিংগী উনাশিংনা অমোনবা নিংথমগী সন্ধ্যাগী নুংশিৎতা থেংজিন্নবগী শ্যাও-শ্যাও লাউবা মখোল নত্তনা অতৈ অমতসু তাখিদ্রে। লৈঙোয় মথক্তা তাহৌরিবা মশাগী খোঙ্গুল মমিদু হন্না হন্না য়েংলদুনা বিমল তোর্ব্বান তম্না কাখৎখ্রে।◀◀

*- ঐচ বেনুবালা*